## ৱারী মচা

# নুংশিবগীদমক

*– কে সি আর–*

**নিরগা** চাবা, মীগী মীনুংশিগী খদাং মখা থানা হিংবা, অৱাবা খূদোংচাদবা মায়োক্লববু কনানা পাল্লুগদগে? কনাগুম্বদি মীগীদমক অৱাবগীদমক হায়জরক্লবগীদমক নীজরক্লবগীদমক মশাগী তুংগী খল্লুবা কাউনা লৈজবা পুম্বা অখাকপা অমত্তা থমহৌদনা পীথোকপা ঙম্বসু য়াওদবদি নত্তে।

লো কোর্টতগী নোটিশ অমা লাকখি।

নং ১৫ / ৩ / এম সি/ ২০২০ অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মখাদা পল্লিবা শ্রী ফাঞ্জৌবম নীংথেমনা মশাগী শেম্থোক লম্বী চাউখৎনবগীদমক হৌদোকশেল ওইনা প্রাইভেট বেঙ্ক অমদগী লুপা লাক্ষ ৫ লোন ওইনা লৌখি। হায়রিবা শেনফম অসি চহী অহুম চঙনা থা থাদা শেন্দোয়গা লোয়ননা শিংগৎলক্কদবনি। শেনফম অসি লৌনবা মতমদা করিগুম্বা শ্রীনীংথেমনা মতম চানা শিঙ্গৎপা ঙমদ্রবদি শ্রীমতী লৈচোনবম ওংবী ফজবী ঐনা শেনফমসি ৱাত্তনা শিংগনি হায়না গেরেন্টর ওইখি।

হৌজিক শ্রী নীংথেমনা শেনফম অসি লৌখিবা মতমদগী শুপ্নতগী থা ৩/ ৪ দং শিংগৎপা হৌরম্লগা মখা তানা শেল শিংগৎলকখিদ্রে। শেল শিঙ্গৎলক্তবতা নত্তনা মখা তানা নোটিশ পীনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হোৎনবদা মশা ফাওবা উনবা ফঙদ্রে। মরম অসিনা গেরেন্টর ওইখিবী শ্রীমতী লৈচোনবম ওংবী ফজবী দেবীনা হায়রিবা ৱাংহৌরিবা শেনফম অসি পীরিবা মতমসিগী মনুংদা শিংগৎনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি বোন্দ সাইন, তৌনবা মতমদা য়াওখিবা য়ূম্ফম অসি নীলাম তৌনবগীদমক লাক্লিবা তাং ২৫ গী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা হাংহনগদবনি। করিগুম্বা পুংফম অসি ফাওবদা হাংহন্দবা থোক্লবদি লোগী মতুং ইন্না মখা তাবা থবক পয়খৎলগনি হায়না খঙহল্লকপনি। ৱাফমসি পাউচেগী খূথাংদসু মীয়াম পূম্নমক্তা খঙহল্লকখি।

নোটিশ অসি ফংবদা ফজবী ঙকপনা খম থেংখি। করিনো তৌরিবসিবু নোম্বমখৈ নোম্লগা কোংজ্রেং কোকফাইনা মনমগন্দা মরুম থুই হায়বদু থোক্লবরা হায়না খল্লকখি। খনবনদি কান্নররোই খন্দুনা মফি হোংদুনা নীংথেমবু থিবা চৎলম্মী। ৱাফমসি মপুরোইবা লৈরিঙৈদদি করিসু নত্তবা ৱাফমনি। অদুবু ঙসিদি মপুরোইবসু মহাক্কা পুন্না লৈমিন্নদ্রে। নাইতোম তাবগী পীকশিল্লবা ৱাখল মরক্তা মীগী মতেং পাঙলুবগী মহাক মশানা শিকি অমা ফাওবসু শীজিন্নবা ফঙখিদ্রবা অদুক য়াম্বা শেনফম অদুবু হৌজিক তেঙ্গাং কোক্লবা মতমসিদা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা করম্না শিংবা ঙমগদৌরিবা। করিগুম্বা ঙমদবা থোক্লগনা লৈকাই মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুম্বা তারিবা। খল্লু খল্লুরগা পঙইদকো ফজবী হায়দুনা মদোম ফুম্বংনৈ। ফুম্বংনবনা কান্নরোইদবনা নীংথেমবু কোয়থি থিখি। উচিন নাচিন্না নীংথেম থেংনরে। ৱারোল পূম্বা মঙোন্দা খঙহল্লে।

"নীংথেম নঙনা তৌরিবসিদি ফজমন্দে, মী হাৎপনি" হায়খি।

নীংথেমনা উপায় লৈতদুনা তৌরিবনি ৱারৌবিবা য়াদে। মখোয়না থারক্লিবা তাং অদু ফাওবগী মনুংদা ঐ শোয়দনা লোয়থোক্লবা কোয়চেন চেঞ্জরগা হোৎনরগে। ইতৈমনা ঐগীদমক য়াম্না ৱাবিরে। মদুগী লমন ননাও কাউজরোই হায়রকখি। ফজবীনা "নীংথেম লমন থৌবগী ৱাফন নত্তে। করিগুম্বা নঙনা শোয়বা থোক্লবদি ঐদি লোয়রবনি।" নঙগী তাদা লৈরিঙৈদদি খরসু ফরমগদবনি। অদুবু ...

হায়রম্লগা হল্লকখি। শোয়দনবা কন্না চেকশিন্না পাউমেল্লমখি।

নীংথেমনা ৱাফমদু কাউরমদবা য়াই। অদুবু মহাক ৱাশক ঙাকপা ঙমদবা মী হায়বদু ওইখ্রবগুম তৌরকই।

নোটিশতা থারকখিবা তারিখকী চপ চাবা পুংফমদুমক্তদা মীওই অমা মখূত্তা চে পায়রদুনা লাকখি। ফজবীবু পোৎ–চৈ হোন্দোক্লবা অমদি মফমসি থাদোক্লবা খঙহল্লকখি। ফজবীনা হায়রকখি।

"শেনফমদু শোয়দনা শিংদোক্লবা নীংথেমদা হায়রম্লবনি। মহাক্লসু মতম খরদংগা শাংদোকপিনবা হায়জরুগে হায়হৌবনি। হায়রক্ত্রিবরা?"

"ৱাফমদু হৌজিক ফাওবগীদি ঐখোয়গা মরী লৈনদ্রে। ৱাফমসি ইশানা য়ানা অমদি খঙনা থবক্তা ওম্থোক্লসি।" কন্তক তৌবা মওংদা তকশিল্লকখি।

ফজবী উপায় লৈখিদে মায় ঙাংনা খূৎ–শা থেক্তুনা মীৎলুদা পিরাং ঈহৌরকখি। তাঞ্জাসিদা কোট লিৎপা, নেক টাই পুনবা জেমস তাঙ্খুল মফমদুদা য়ৌরকখি। ফজবীগী মমাঙদা লেপ্লিবা নুপাদুদা হায়রকই।

"ঙাকপিগনি, অদোম লেঙবিখিবা য়ারনি।"

"হায়রিসিবু!"

"হায়বদি য়ূম্ফমসিদা কনাগীসু অয়েৎপা লৈত্রে। য়ূম্ফমসি শ্রীমতী ফজবীগীনি। মহাক্কীনি।"

"হায়বদি!"

"হায়বদি অদোমগী শেনফমদু শুনা ফঙলে হায়বগী চেসি য়েংবিয়ু। অদুননি হায়জরিবসে।"

হায়রিসিবু হায়রম্লগা নুপাদু চেদু ফাওবা য়েংলমদনা ইঙক ঙক্লা চৎখিরম্মী। ৱাফমদু তাবদা ফজবীনা অদোম্বু কনানো ঐদি শকশু মিংসু খঙজদে ইঙক ঙক্লে হায়রকখি।

মোমোন নোক্লদুনা জেমসনা হায়রকই।

"ঐ জেমসনি।"

"জেমস হায়বদি?"

"নীংশিংবিয়ু মেম, নোংমা অদোম্না উখ্রুলদা নঙগী নুপাগা লোয়ননা শিরুই লিলি য়েংবা লাকখিবদো।"

ফজবীনা খল্লি। ঙসিদগী চহী ...।

মতমদুদা ঐ অঙাং ওইরি, নুমিত্তুদা ঐনা

"পৈশা খজিক্তা পীবিরম্মু" হায়বদা নঙনা হংখিবদো

"কৈদৌনবা পৈশানো?" ঐনা খুমখি "চাক য়াম্না লাম্লে কৈনোমা লৈরগা চাগে তৌবনি।" অহানবদদি নঙ চৎখিগে তৌই। অদুদগী নঙনা ইনাক্তা হঞ্জিল্লক্লগা হায়খিবদো

"নঙগী ইমা বাবাদি" ঐনা খুমখি।

"মখোয়নিমক লৈখিদ্রে।" অদুদগীদি নঙনা নঙগী খাওদগী মনিবেগ লৌথোক্লগা শেল অচোয়বা থিখিবদো। করি খল্লকখিবনো খঙদে নঙনা অচোয়বা খরা পীরম্বগী মহুত্তা নঙগী বেগতুদা অয়াওবা লুপা ময়াম অদু মশীং ফাওবা থিদনা পীথোক্লমখি। মদুনসু লোয়খিদে, নঙগী খূৎশাদগী খুদোপ অমা লৌথোক্লগা "সে সি শিজিল্লু, সিগী খুদোপসি শিরবদি নঙগী অৱাৎপা অমত্তা লৈররোহ" হায়বিরমখি। নুমিৎ অদুদা নঙনা তৌরিবা থৌওংদুদা নঙগী নুপানা নঙবু ঙাওরবরা হায়না চৈরগা নঙ লৈহৌরো হায়না শাওনা চৎখি। মদু ফাওবদা নঙনা করিমত্তা নাচুংদনা ঐবু নুংশিনা য়েংলগা নোংমা ঐবু নীংশিংলকউ হায়রমখিবদো কাউবিরবরা মেম?

নুমিৎ অদুদা নঙনা পীবিরম্বা য়াম্লবা শেনফমদু ঐনা চাথোক্তনা চাউখৎনবা হোৎনখি। মদুগী মহয়না ঐ ঙসিদি কম্পনি মচা অমা মেমগী মিংদা লিংবা ঙমজরে। ঐগী ইখাদা শীন্মী ২৫০ রোম থবক পীবা ঙমজরে। মীয়াম্না শকখঙবিরে। নঙনা পীরম্বা য়াইওইবা খূদোপ্তু ঐনা ঙসি ফাওবা থাদোক্তনা ইরাৎচদুনা ইশাগা লোয়ননা লৈজরি। ঙসিদি খুদোপ অসি নঙগী নফমদা অমুক শীন্নজরগে। লৎনদনা লৌশিনবিয়ু মেম।

জেমসকী ৱাফমদু তাবদা থিংবা ঙমহৌদ্রবা নুংঙাইবগী পিরাংনা পাখোঙ পাথোরক্তুনা ফজবী জেমসপু চেৎনা কোন্দুনা মখজাই অনীদা ওন ওন্দুনা হন্না হন্না চুপ্লীখি। থংনবা মীৎকুপ্তা লেঙজুম অনীদা পায়রগা খঙনিংনা মখা তারকখি।

"নঙনা কমদৌনা ঐগী মরী মখোঙ অমদি পাউসি ফংলিবা?"

"মেমনা তাকপিরম্বা মিং অমদি লৈফম পাউচেদা য়াওরকখি।"

"নঙনা ঐগী মিং হৌজিক ফাওবা নীংশিংলিবা!"

"মেমগী মিংদি মতম পূম্নমক্তা ঐনা লাইনিং ওইজখিবনি।"

ফজবীনা নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈতনা মখা তারকখি।

"নঙ ঐঙোন্দা মেম কৌগনু।"

"তাকপিয়ু করি হায়না কৌজরগা মেমনা হেন্না পেনবিগনি?"

ফজবীনা হায়দোকফম খঙদনা খংহায় ওইনা হায়রকখি।

"ইমা, ইমা হায়না অমুক্তা কৌরকউ।"

জেমস, লমন শিংবগী নুংঙাইবা অতোপ্পা মীৎকুপ অমা ফংখিগদ্রা খন্দুনা ঈহৌরক্লিবা পিরাংদু উখিদনবা হায়না অহাংবা নোংমদোনদা মমায়দু ওনখত্তুনা শংবান্নবা অতিয়াবু য়েংনা য়েংনা শোনখি।

ইমা! ইমা! ইমা!

---

## শৈরেং

### লুপখিদ্রিঙৈ ইরোলনুংদা

*– রাজকুমারি মীনা দেবী*

লুপখিদ্রিঙৈ ঈরোলনুংদা পূম্নমক
খন্থহৌমিন্নসি পূক্লিং লৈতানা
য়েংবিয়ু হঙ্গৎনা মীৎয়েং শান্না
করিনো তৌরিবা নহাক্লা
থাংলিবা খোঙথাংদু মীৎকুপসিদা।

ইচা–ইশুশিংগীদমক তুংগী মীরোলনা
ওইরিবনি নহাক্লা মপী–মপা ইমুংসিগীদি
পুৱারিদা থাংজিল্লুরবদি অরানবা খোঙথাং
কাং–খোং চায়খিনি ইমুংসে নহাক্কী
চফুনা কায়রগা হরাওখিগনি মীথিবোংশিংনা।

মনমদু ফংবদা থকচিন্দ্রিঙৈ চীনবান্দা
ওখোকখিবনা ফগনি য়োৎশিন্দ্রিঙৈ
কায়বা তারে লিক্লম –পরম ইপা–ইপুশিংগী
থম্বীরম্বা পারোল–পুরোলশিংনা থায়নঙৈদে
খন্থহৌসি মুন্না মতম মানা লৈরিঙৈ।

লৈজরম্বা শক্তম নহাক্কী তশেংনা
শঙজিল্লক্কনি অমোৎপা মচু কয়া কয়ানা
ওইদুনসু নোংদম্বা মাগী নোংদমখোল
মাঙহন–তাকহনবা ঙম্লোই কৈদৌনুংদসু
তৌবিরবদি অফবা থবকশিং নহাক্লা।

নীংশিংবিয়ু অকনবা শাফুশিং শৈতালশিংদুগী
মীবু মাঙহন্নবতা লৈরিবা মখোয়গী মচৎশিং
হোৎনরক্লিবনি চিংশিন্নবা নহাকপু নোরোক্কী কোমদুদা
পীবিসনু মপুগী থৌজাল নফমদা মতম পুম্বদা
মদুতনা ঙম্লসনু হন্দোকপা থাংহৈদ্রবা খোঙথাংদুদগী।

### তরু তহেন্না

*– শকহেনবী শর্ম্মা*

খৎনরে, চৈনরে লৈবাক মচাশা!
খাম্বীনবা কনা য়াওদনা মখোয়গী
শিননবা তারে মখোয়সে।

খাম্বীনবা কনা উদবদা
পাম্বৈদি লৈত ঐহাক্লা
ঈশিং চাইশিন্দুনা খাম্লে।

করিগী খৎনরি, চৈনরি
নখোয় নচিন ননাও
শা–ষণ ফাওবা ৱাইনদ্রবদা।

অশাওবা পেন্নদবদো থাদোকউ।
মরূপ মপাং ওইনা
নুংশিনা লোইনৌকো ইচাশা!

পাঙ্গল শক্তি মাঙহনগনু
য়েনখা–লুখা শুমাঙ থেলোং
লম্বী লমখাং লূনা–নান্না থম্লসে।

### অসুম্না অসুম

*– দেবেন্দ্র সিংহ*

অসুম্না অসুম হৌখ্রে পূন্সি
প্রভুগী শক্তম নীংশিং নীংশিং
মমি শামখ্রবা ইবুংঙোবু উনিং উনিং
খঙহৌদে নোংমা নোংমা হৌখিবা।

অসুম্না অসুম লেল্লি ঐনা
পামজবা প্রভুগী মিংখৈ শোন্না
করম্বা নোংদম্বনা অসুক থিনা তম্লকপা
পীররে ঐঙোন্দা অৱা মৈচাক।

লাইবক থিবা মীওই মপোক্লি
মায়াগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরে
মীনোক মীচৈ অৱা মৈশালক্তা
খাঙলগে ঐদি অসুম্না অসুম ।

খল্লুলরোই হৌখ্রবা পূন্সি ৱারী
নীংশিংলরোই অৱা মৈশা কয়া
অরেম্বনি মঙলান্নি পূম্নমক
লেঞ্জরগে ঐগী পূন্সি অসুম্না অসুম।

### চুরক্লো নোং

*– তাহির সাজবম*

ফুইনা হৌরক্লিবা অমুবা নোং
তপথরনু নহাক
খোঙকাপ য়াঙশিল্লক্লো
লৈবা য়ারক্তে লমদমসে
হু চেল্লে ঈশিং নুংশিৎ
ঙমদ্রে হোনবা নিংশাশ্বর
চনীং তানা।

নঙগী শেংলবা ঈরিক অমমমনা
শাফু কনবা ঈচেল ওইনা
ঈরাওখোলগা লোয়ননা
চেন্থখ্রসনু পূম্নমক
অপূম–অশাগী শক্তম লৌরবা
কল্লকপা য়েংথিবা মীনুংশি লৈতবা
অকনবনা অশোনববু তুহৎপীবা
খূৎকন পাঙ্গলবনা অচুম্বা শকপা
মীওৎ–মীনৈগী মীকপখোলনা নিল্লবা
তংদু– লৈতাদ্রবা ফীভমসে
লমদমসিগী।

অদুগা অমোৎপা য়াওদ্রবা
পুমশেং শেংলবা ঈশিং নুংশিৎনা
কোয়শিল্লসনু
লমদমসিগী অকোইবগী ফীভমসে।

নে তারবা থৱায়শিংনা
হোল্লসনু নিংশাশ্বর মীনুংশিগী
খঙলসনু মমল
থৱায়না থৱায়গী
পুন্সিনা পুন্সিগী।

### লান

*– থাংজম বিশ্বরজিৎ*

ইপা ইপু হাক্তক্তগী
লানগী ৱারী তাখ্রে,
চহী তরেৎ খুন্তাকপা,
বৃটিশকী মায়োক্তা শোক্লখিবা
কংলৈপাকী অরোইবা নীংতম লান
খোংজোম খেব চীং
লানগী চৈথেংগী ৱারী
কাউবা লৈত্রি ঙসি ফাও
জর্ম্মন, রশিয়া, জপান
পান্নমখিদ্রনে মখোয়বু লান
নাগাশাকি হিরোসিমা
কাউরম্লদ্রনে জপানিজশিংনা ?
হিটলরগী তমথিবা মতৌ,
কাউরম্লদ্রনে রশিয়ানা?
মালেমগী লাঞ্জাওদি লোয়খরে ,
লান পাম্বা কনানো?
লান পাম্বা কনানো?
লৈরমখিদ্রনে মালেমসিদা লান পাম্বা?
থাজদে ঐদি থাজদে,
লৈরমগনি হায়বা লান পাম্বা
করিগুম্বদা কন্নবগীদমক্তদি
লান কিরুবা য়ারিব্রা?
পামদা পামদা লাক্কনি,
লান অমদি নোংমা।

### খঙদে ঐ

*– তোংব্রম শামুঙৌ*

অসুম অসুম চৎলি ঐনা
মায়কৈ খূদিং মফম খূদিং
ৱাখল অমনা লমজিং ওই
থৌনা অমগা লোয়ননা,
অমম্বদসু অঙানবদসু কিবা লৈতা,
করিগুম্বা অমা থিরিবনি ঐ
করিগুম্বা 'মা ফংনবা তাল্লিবনি
লমথুংফম কদোমদা খঙদ্রে ঐ।

চৎখিনি থিখিনি মায়কৈ খূদিং
ফংদ্রিফাওবা পোৎশক্তুনা ঐগী।
অদুবু,
থাংলিবা খোঙথাংগী মায়কৈ
চৎলিবা লম্বীগী মায়ওন
কদোমদনো কদায়দনো খঙবা ঙমদে
ৱাখলনা পুরিবা লম্বীদুদনি
চৎলিবা ঙসি ঐনা।

চোকথবসু নায়দা, 'ৱাবসু খঙদা
ইথন্নতা অসুম অসুম ইথন্নতা,
লৈরমগনি পোৎশক অদো কদায়দা
ফংগনি করম্না কদায়দগী
খঙদে ঐ, খঙদে থিবতনি
ঙসি ঙরাংগী খোঙচৎনা,
হয়েংনা করম থোক্লগবা
খঙদে ঐ, খঙদে ঐ, খঙদে ঐ।

---

## তাবুনুংদগী

*লমতা থাগী থাংজ অহানবা অমসুং লমতা থাংজ অরোয়বদা শরোই খাংবগী চৎনবী লমদম অসিদা লৈ। শরোই খাংনবগীদমক খুলগী নুপী ময়াম্না মাগী মাগী লৈকাই লৈকাইগী চৎনরকপা মফম হায়বদি লম্লোং অহুম ফাংবদা খুল খুলগী চৎনবী মতুং ইন্না চাক্লুক ৭ নৎত্রগা ৯ থাদুনা শরোই ঙারোই য়াখমলোই ৬৯ গী মচীঞ্জাক থাদোকই। চাক্লুক থাবা লোয়রগা মায়কৈ ঙাকপা লাই ৪ বু হান্না তাইনৈ। মায়কৈ ঙাকপা লাই তাইনবগী লাইশোনশিং অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

১) অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা লৈমা লাই খুন্দা অহানবা, শরিক মপান থাবিবা নোংথ্রে মউ লিংবিবা ইপুধৌও নচা–ননাই ঐখোয়গী খুন অসিগী মমিংদি (লৈকাই অদুগী খুন অদুগী মমিং হায়গনি) অসি কৌই। হাকুমগী কুমজাদগী কুসি কুমজা ফাওবা তেক্তা কায়দনা পূন্সি নুংশাংনা লৈচাওনবিরে। অদুনা কুমসি কুমজাদগী নোংমৈ কুমজা ফাওবা তেক্তা কায়দনা পুন্সি নুংশাংনা খুঞ্জাও লৈচাওহনবিয়ু হায়না ঐখোয় পূম্নমক্না চাবী – চানৌ মনা মশিং অহাও অথুম পূন্নমক অসি ইপুধৌদা কৎচরি। মনা–মশিং অসিনা, তিনমু ফত্তবা, তিঞ্জা ফত্তবা লাইচা ফত্তবা পুন্নমক্তা শিন্নবিদুনা হাওরৈ খানা পাংবদা হোইথবিদুনা লৈকাইসিগী অফ ফত্তা সিদয়েন নাদয়েন ঙাকপিয়ু, নঙাক থোকপা নাকন থোকপা লৈকাই অসিগী অফ য়াইফ পীবিরম্মু হায়না পুনেমজরিএ।

২) নোংপোক মায়কৈ ঙাকপা ইপুধৌ মারজিংও নচা ননাই ঐখোয়গী খুন অসিগী মমিংদি ... (লৈকাইদুগী মমিং) কৌই। হাকুমগী কুমজাদগী হৌরক্লগা মথক্তা হায়খিবগুম অরোইবগী পুনেমজরিএ ফাওবা হায়গনি।

৩) মোইরাং লাইজি মায়কৈ ঙাকপা উবুথৌ থাংজিংও নচা ননাই ঐখোয়গী মমিংদি ... পুনেমজরিএ। অসি ফাওবা হায়গনি।

৪) খাগী মায়কৈ ঙাকপা ইবুধৌ ৱাংব্রেনও নচা ননাই ঐখোয়গী খুলগী মমিংদি ... পুনেমজরিএ।

---

## মণিপুরী পান্থৈ–পাউরৌ, পাউতাক

* **খুয়া তৎনা চৎপা মীনা লুখম তৎনা হীপ্পা মীদা পাউদম্বা।।**
  – অৱাবা তারবা মী অমনা মাগুম্বা অৱাবা তারবা মী অমদা পাউমেন্নবা
* **খুজাই মপু ফাদোক তাই ।**
  –অচুম্বা মীবু অরানবা তাহন্দুনা অৱাফমদা তাহনবা।
* **খূরাই লান্না শৈশক্তে, ৱাংখৈ লান্না শৈদমদে।**
  – মহৈ নিংথিনা তমহৌদবনা লৈকাইদগী হেন্দোকপা ঙমদবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

---

## চানক্য নিতি

- পূকচেল চাউবা, ৱাহৈ–খোন্দা ফজবা, ঈং–তপ্পা অমসুং খঙগন–হৈগনবা হায়রিবা গুণ মরিসিদি হোৎনরগা ফংদে পোকপদগী য়াওরকপনি।
- মশাগী কাঙবু থাদোক্লগা অতোপ্পগী কাঙবুদা য়াওশিনবদি মশা মাঙবনি, মদুদি ধর্ম ময়াম য়াবা নিংথৌনা তৌবগুম্মী। (প্রজাবু ঙাকপা ঙম্লক্তে)।
- চাউরবা শামুবু পীক্লবা লাংশোইনা লাকশিল্লি। লাংশোইদু শামুমুক চাউব্রা? থাউমৈ মচা অমনা অমম্ববু কোকহল্লি, থাউমৈদু অমমম্বমুক চাউব্রা? চীংবু বজ্রনা থুগায়, বজ্রদু চীংমুক চাউব্রা? শক্তি লৈবদু তশেংনা মপাঙ্গল কনবনি। মপানগী চাউবদুনা করিসু কান্নদে।
- কলি যুগনা চহী লীশীং তরা শুরকপদা পৃথিবীবু হরিনা থাদোক্কনি, মদুগী তঙ্খায় মতুং তঙ্খায় অমা লৈরগা খুঙ্গং ঙাকপা লাইশিং চৎখিগনি।
- য়ূম পানবদা হেঞ্জিন্না পূক্নীং চঙবশিংনা বিদ্যা ফংঙোই। শা চাবশিংনা থৌজান হৈরোই। লন মিহৌবা মীনা অচুম্বা চৎলোই। নুপীদসু মপুরোইবা নীংঙোই।
- মখোঙদগী মতোন ফাওবা শঙ্গোম অমসুং ঘী তৈরবসু নীম পাম্বীনা খক থুমদে, অদুগুম্না ফত্তবা মীদা মখল কয়া থোক্লা তম্বী–তাকপীরবসু ফরক্কদবা লৈতে।
- য়ু হাপ্পা পাত্রবু মৈ থাদোক্তুনা হোৎনরবসু শেংউয়াদবগুম, পূক্নীং মোৎলবা মীদি তীর্থদা চাম্মরক স্নান তৌদুনসু শেংবা ঙমদে।
- মশানা খঙদ্রিবা অমবু শন্দোক্তুনা খঙহন্নবা হোৎনরিবদু ঙক্লীংঙাই ওইদে, কিরাৎ নুপীনা মুক্তা পরেং শীবগী মহুত্তা গুঞ্জা (অঙাঙবা অমসুং অমুবা মচুগী অপীকপা মহৈ পানবা বন্দ হৌবা পাম্বী) মহৈ পরেং শীবগুম্বনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

---

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২৪। ঈশৈদি শক্তনা ফি পংথাদা থাবা করিনো?

২৫। ইনাক খুনবনা য়োমশিন্দুনা পুখিবা লাইরবনা লাক্তুনা লংথোকপা করিনো?

২৬। ঈশিংদা পোকপা আকাশতা পাইবা মশা মরি পানবা মখোঙ তরুক পানবা করিনো?

২৭। ঈশিংগী পাম্বী অমগা কংফালগী থৱায় পানবা অমগা মমিং মান্নবা করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (০৮–০৩–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৬) খোই চোপ্পা, ১৭) খোইহি, ১৮) ইংখোল মতোন্দা ৱাতোন হাইথরকপা, ১৯) আইস ক্রিম, ২০) থাংজিং মনা, ২১) হঙোই, ২২)য়েনশিন মহৈ পোখায়বা, ২৩) কংফাল ইকাথবী

---

## চয়োলসিগী ফাগী

**নুংঙাইবগী চাং !!**

ফিল্ম প্রদুসর অমনা মাগী অনৌবা ফিল্মদু ফিল্ম জর্নেলিষ্ট অমদি ক্রিটিক কাঙবূ খরগীদমক অখন্নবা শীন্দুনা হোল অমদা য়েংহল্লি। ফিল্ম উৎলিঙৈ মরক্তুদা ক্রিটিক অমদি কন্না খ্রো–খ্রো নাখোক্লককই। মদুদা মাগা থঙননা ফল্লিবদুনা মশা নোমদুনা তপ্না "ওঝা.. ওঝা.."

– (ফিংনা) হা! কৈদৌরে, ফিল্ম লোইরবরা?

– লোইদ্রি ওঝা, ওঝাগী নাখোকপদুনা ঐখোয়দি তুম্বকা অমত্তা য়ানদ্রে হায়জবনি।

**অশেংবা মশক !!**

মৈরা পায়বীগী ইহৌকাদসু থৱায় য়াম্না য়াওজবী, সরকারগী কলেজদা ওঝাকা ওইদুনা শেল–থুমগী অৱাবকাসু থোয়না লৈতবী অমনা মমানবী অমদা টেলিফোন তৌই) ঐখোয় লাইরিক লাইসু হৈনরবী, থবক ইনখাংকাসু তৌনবীশিংগীসু মৈরা পায়বীগুম্বগী মওংদমক নৎত্রবসু অপুনবা লূপ অমা লিংদুনা ঐখোয় নুপীশিংগী ওইবা অধিকারশিং হায়বদি নুপী–নুপা রাইট চপ মান্নে হায়বগুম্বদা অচৌবা থৌদাং য়াফম থোকই খনবদগী ঐখোয় ময়ামগী মীফম অমা হন্দক্কী নোংমাইহিজিংসিদা ফমদৌরি... ঐখোয়গী য়ূমদা তৌগদৌরিবনি, অয়ুক্কী চাক্কসু য়াওনা ঐনা লোয়নমক শীল্লিবনি নঙসু শোয়দনা য়াওরদা য়াদ্রেকো.. ঙন্তা লাকউ..

– অদুদি য়াম' ফবা ৱানিনা, ঐসু য়াওনিংখ্রেদা, অদুবু খঙদেনে.. ঐখোয়' তামোদা অমুক্তা হংখিগেদনা..

– ও অদুগীবুদি করিম চিংনরুনো, খরদং কেথ–নৌথশিন্নরগা পার্মিসন নিয়োপীজরক্কনিয়ে.. ঐনা তৌরিবা ময়ামসিসু মখোয়দগী পার্মিসন লৌর লৌরগা তৌজরিবনে..।

**চৎনলোন !!**

ইম্ফাল কৈথেল মনুংদা দ্যুটি তাবা পুলিস নুপাদুনা থৌরাং লোয়রদুনা ময়ূমদগী থোক্লমদাইদা মফুরিৎখাউ চ্যেক তৌরুবদা ঙরাং মানা দ্যুটিদে হল্লকখিবদা য়াওরকখিবা লুপা চামা হেনবা মঙা চৎপী তরাচৎপীশিংদু অমত্তা য়াওরমদবদগী ফ্রং শাওগত্তুনা মাগী নুপী কৌদুনা লৌথোক লাকথোকপরা হংলুবদা নুপীনা "ঐদি লৌদেনে অঙাংশিংনকা লৌথোক্লবা য়াওবরা, ঐ অমুক্তা হংগে" হায়দুনা মাগী মাগী কাদা লৈনরিবা মচানুপীগা মচানুপাগদা হংলুবদা মচানুপীদুনা লৈকাই লৈশাবী মরূপকী শেলহুনগী লৌথোকপনি হায়রকখিবদগী মপুরোইবদা তম্লে– "ইবেম্মনা মরূপকী ওইনবা লৌথোকএয়ে।"

– (হেন্না শাউগৎনা) মরূপকী লৌথোকএয়েদি কৈনো, মী' ফুরিৎখাওদে পৈশাবু হেক্তা লৌথোকপা য়াব্রা, হুরানবনিয়েদনা ফাদুনা জেলদফাও থাজিনবা য়ারিবনি খঙদ্রা, কৌরকউ .. নচানুপীদু কৌরকউ, মা ঙসিনে..

– (মপুরোইবগী অশাওবা মওংদুদা খোন খরা কল্লপ মচানুপীবু কৌদুনা) হাই ইবেম্মা থোরকউ লাউ ববাসি য়াম' শাওরেহৈ.. নঙগী পৈশাদুবু লোয়নমক পীথোকখ্রবরা, লুপা মঙা–তরাদংদি ববাদা পীরোলাউহৈ..।